# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-10-2024)**

**তোঙ্কঃ** কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগা য়ুনাইতেট নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) গা ঙরাং নিউ দিল্লিদা ৱারি শান্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়, মণিপুর সরকার অমসুং য়ু.এন.সিনা শরুক য়াখিবা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারি শান্নবা অদুদা য়ু.এন.সিগী মায়কৈদগী নৌনা শেমখিবা জিলা তরেৎ অদু হন্দোকবা দাবী তৌখি। অদুমওইনমক, হীরম অসিগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপদি ঙমখিদে।

মথং থাগী ১৫ দা অমুক হন্না সেনাপতিদা ৱারি শান্নবা হায়না য়ানখি। ৱারি শান্নবা অদুদা ভারত সরকারগী মায়কৈদগী হোম এফিয়র্স মন্ত্রালয়গী এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) এ.কে.মিশ্রা, রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি বিনিট জোসি অমসুং কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি (হোম) এন্দ অসোক কুমার অমসুং য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. লোরহোনা লুচিংবা মীওই তরেৎ শরুক য়াখি।

**পুলিস (এল)ঃ** লমদম অসিদা শান্তি পুরকবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লেপ্তুনা পায়খৎলি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে নম্বর টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩৪৩ অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা চংল্লকখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবকসু চথখি। লোয়ননা মফমশিং অসিদা মীয়ামনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক সেক্যুরিতি কনভোই থমলি। মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেক পোইন্ট ১১০ হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌরি।

**কাশ্মিরঃ** জম্মু কাশ্মিরদা, নেসনেল কনফরেন্সকী ওমর অব্দুলানা সরকারনা শেম

বা দাবী তৌখ্রে।

শ্রী অব্দুলানা মখোয়বু কংগ্রেস, সি.পি.আই (এম), এ.এ.পি. অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টশিংনা শৌগৎলি হায়বগী ৱারোলশিং ঙরাং উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহাদা পীশিনখি। তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অব্দুলানা হায়-জম্মু কাশ্মিরদা অনৌবা সরকার শেমবা মতম অমা লেপ্পীনবা রাজ্যপালদা তকশিল্লম্লে।

**পিএম ঃ** ভারত অমসুং লাউ পি.দি.আর. অনিনা দিফেন্স কো-ওপরেসন, ওদিও ভেজি্য়েল অমসুং কংলা সংস্কৃত্তি য়োকখৎপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা এম.ও.য়ু. তরুক সাইন তৌনখ্রে।

ভারতনা ইন্দিয়ান-য়ু.এন. দিবলপমেন্ট পাটনরসিপ ফন্দগী খুথাংদা ন্যুত্রিসন সেক্যুরিতি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক লাউসতা আমেরিকাগী মিল্লিয়ন দোল্লর অমগী শেলগী তেংবাং পীরগনি। সাইন তৌনখিবা এম.ও.য়ুশিং অদু ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং লাউগী প্রধান মন্ত্রিগী মরক্তা সহি তৌনখিবনি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা এসিয়ান সমিট অমসুং ইষ্ট এসিয়া সমিট মপুং ফানা পাঙথোকখিবগীদমক লাউসকী রাজ্যপালবু থাগৎপা ফোংদোকখি। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ লোয়রবা তুংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ন্যু দিল্লিদা য়ৌরকখ্রে। শ্রী মোদিনা ২১ শুবা আসিয়ান ইন্দিয়া সমিট অমসুং ১৯ শুবা ইষ্ট এসিয়া সমিটতা শরুক য়াখি।

**ইনর্জি ঃ** কেন্দ্রগী ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না পি.এম. সুরিয়া ঘর-মুফট বিজলি য়োজনা স্কিমগী মখাদা অনৌবা গাইদ লাইনশিং থোকখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা রুপ টোপ সোল্লর টেকোলোজিশিং, বিজিনেস মোদেলশিং অমসুং অনৌবা টৈকিকশিং হেন্না পুকিং থৌগৎনবগীদমক লুপা কোতি ৫০০ খাত্তুনা

থমলে।

প্রোজেক্ট অসিনা স্তার্টঅপশিং মশক খঙদোকপা, রুপ টোপ সোল্লরগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল অমসুং বেটরি ষ্টোরেজকী লমদা অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক তৌগদবা ইন্সটিট্যুসন অমসুং উদ্যোগশিংদা তেংবাং পীবা য়াওরি। স্কিম অসিগী ইনোভেটিপ প্রোজেক্ট কম্পোনেন্ট থবক ওইনা পায়খৎপদা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সোল্লর ইনর্জিনা ইমপ্লিমেন্টেসন এজেন্সি ওইগনি হায়না মন্ত্রালয়না হায়রি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙরাং সিক্কিমদা প্রেমা স্থল অমা শঙ্গাখ্রে। ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মমাং চহিগী ওক্তোবরদা সিক্কিমগী পাকয়োং জিলাগী বুরদাংদা থোকখিবা গ্লেসিয়াল লেক আউটবরস ফ্লডকী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা লান্মীগী মীওই ২২ বু ইকায় খুমবা উৎতুনা স্থল অদু শাখিবনি।

**এআইএঃ** ছাতিসগরদা সি.পি.আই. মাওইষ্টশিংদা খুৎশু খুৎলায় সপ্লাই তৌরম্বগী কেসকা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না মীওই অনি অমগসু ফারে।

এজেন্সি অসিনা হায়-উত্তর প্রদেসতগী মীওই অনি অসি ফাখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবা মীওই তরুক শুরে। এন.আই.এনা থিজিনবগী মতুং ইন্না হায়রিবা মীওইশিং অসি তোইনা পাউ ফাওনবা অমসুং আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্টশিংদা লোজিষ্টিক সপোর্ট পী হায়বা খঙবা ঙমলে।

পনবা য়াই, মমাং চহিগী জানুৱারীদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই মরি খুৎলায়গা কোন্ননা পুলিসনা ফাখিবনি।

**চেন্নাই ঃ** চেন্নাইগী গুমিদিপুনদি মনাক্তা ঙরং নুমিদাং পেসেঞ্জর পুবা রেলগাড়ি অমগা পোৎ-চৈ পুবা রেলগাড়ি অমগা থেংজিন্নখ্রে।

চেন্নাইদগী লাকপা মিশুরু দরভঙ্গা এক্সপ্রেস অন্ধ্র প্রদেসকীদমক গুমিদিপুনদি ফাওদুনা চৎলিঙৈদা পোৎ-পুবা রেলগাড়ি অদুগা থেংজিন্নবনি। মফম অদুদা লৈবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না মীওই কয়া অশোক অপন নংখি হায়রি। অকুপ্পা মরোল খঙবা ঙমদ্রি।

**নোবেলঃ** জপানগী হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিগী এতোম বোম্বদগী হিংহৌরবা মীওইগী কাংবু-নিহোন হিদানক্যয়োদা -২০২৪ গী নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগনি।

হিবাকুসা হায়নসু খঙনবা মীওই কাংবু অসি ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় লৈতবা মালেম অমা ওইহন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎনবা অমসুং মতুংদা অমুক হন্না ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শিজিন্নদনবা মীয়ামদা পাউজেল পীবগীদমক শকখঙনরবা কাংবু অমনি। মীওই কাংবু অদুদা মনা অসি পীরগনি হায়না ওসলোদা লৈবা নোরৱেজিয়ান নোবেল ইন্সটিট্যুটনা লাউথোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাং চহিদা ইরানগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট-নারগেস মহামদদিনা লৈবাক অদুগী তুহৎপীরবা নুপীশিংগীদমক থবক কয়া পায়খৎখিববু শক খঙবা ওইনা মনা অসি পীখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা-ঙরাং দিল্লিদা ত্রাইপরটাইত টৌল্ক চৎখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ হন্দোকবা দিমান্দগী ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন

অসিগী মখাদা য়ু.এন.সিদি ইপেন পেন্দ্রে অদুবু নবেম্বর ১৫ দা মখা ৱারী শান্নবদা য়ান্নখ্রে হায়না সব হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, হুইয়েন লানপাউ, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলদা অহানবা লমাইদা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লিতান বজার অসি পুৱারীদগী হৌনা সিকিবুং ভিলেজকী মনুং চনদুনা লৈরক্লবনি হায়বা ডব্লিয়ু.টি.আরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং সনা লৈবাক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মনিপুর ন্যুজতা-ম্যান্মারগী ইরাংনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লালহৌবগী ইরাং হেনগৎহল্লে। ইন্টরনেল সেক্যুরিতিদা অকিবা পীরে, ওর্গনাইজ ক্রাইম কয়া চথরে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরদগী অসামনা হানখ্রে, রবিন্দ্রনাথ টেগোর য়ুনিভরসিতিগী গ্রেজ্যেসনদা মনিপুরি ফিল্ম তম্লগনি লাউথোকখ্রে হায়বা শ্যাম শর্ম্মগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-কাংপোক, চুরাচান্দপুর লম্বী শেম্বগী প্রোজেক্ট প্রপোজেল শেম শারল্লে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-দেঙ্গিগী কেস লিশিং ১,৩১১ য়ৌরে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসকী ফ্লাইট অমা কায়গে তৌবদগী কলহৌরে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-আই.টি.এল.এফনা চুরাচান্দপুরবু লমকা ওন্থোক্লগা এন্ত্রি পাস ককপগী রিসিফ ভাইরেল ওইরক্লে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা

হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যূজতা-রিমসতা থবক হাপ্পীগনি হায়না মীওই ২১ দগী লুপা লাখ ৫২ হেন্না খোমগৎলন্বী সোমিগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়বা রিমস ওথোরিতিগী ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মহুদ মিনিস্তর-ৱাই. খেমচান্দনা ইম্ফালদা ত্রাইবেল মার্কেট অমা শারগনি হায়বা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মীতৈ পেসেঞ্জরশিংগী মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা কল্লর হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি য়েংশিন্নবগীদমক সেন্টরনা মীফম কয়া পাঙথোক্লি হায়বা চীফ মিনিস্তর বিরেন সিংহগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-গভরমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গা নাগা পিছ প্রোসেস হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমুক নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।